# শিখ পিলগ্রিমশিংং ওক্নবা করতারপুর থৌরাং তৌরে ঃ ইমরান খান, শক্তমশিং থাদোক্লককখ্রে



***ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
পাকিস্টান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা গুরু নানককী ৫৫০শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাংথোক্নবা শিখ পিলগ্রিমশিং তরান্না ওক্নবা করতারপুর কোরিদর কপ্লেক্স থৌরাং তৌরে হায়রদুনা করতারপুর কোরিদর কমপ্লেক্স অমসুং গুরুদ্বরা দরবার সাহিবকী শক্তমশিং থাদোক্লককখ্রে।

শক্তমশিং অদু নবেম্বর ৯দা করতারপুর কোরিদর অদু হাংদোক্লবগী থৌরাং তৌরিবা অদুগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা মাগী ত্বইটর একাউন্টতা থাগৎলকখিবনি।

২০১৯ চহী অসি পাকিস্টানগী শ্রী ননকানা সাহিবতা পোকখিবা সিখিজম ফাউন্দর গুরু নানক দেবগী চহী ৫৫০ শুবা মপোক নুমিৎনি।

প্রাইম মিনিষ্টর খাননা সিখ পিলগ্রিমশিং তরন্না ওক্নবা করতারপুর থৌরাং তৌরে হায়না ত্বিইট তৌখি। অতোপ্পা ত্বিইট অমদা মতম চানা শাগৎপা লোয়শিনবগীদমক মহাক মশাগী গভর্ণমেন্টপুসু মহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

গুরু নানক জিগী চহী ৫৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমশিংগীদমক শীংথানিঙাই ওইবা মতমগী মতুংদা করতারপুর থৌরাং তৌবগীদমক ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টপু ঐহাকনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা পাম্মি হায়খি।

মসিগী মমাঙদা মহাক্না করতারপুরদা লাকপা সিখশিংগীদমক পাসপোর্টকী মথৌ তাহল্লম্বা, শঙ্গাবগী থৌরম অমসুং নবেম্বর ১২দা সিখ গুরু অদুগী চহী ৫৫০ শুবা কুমওন থৌরম অদুগীদমক লাক্লিবশিং অদুদগী য়ু এস দোল্লর ২০গী সার্ভিস ফি লৌনবগী কন্দিসন অদু মহাক্না মুখৎখি।

কোরিদর হাংদোক্লবগী মতম অদুগা কোনুং ইস্লামাবাদতা প্রোটেষ্টের লিশিং কয়া পৈদুনা লৈরিবা অদুগা মতম ফাংনরি। মখোয়গী লূচিংবা মৌলানা ফজলুর রেহমননা প্রোটেষ্টর মীয়াম অদু শান্তি ওইনা কায়নখিনবগী কন্দিসনশিং ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর খানবু ফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

করতারপুর কোরিদর অসিনা ইন্দিয়াগী পঞ্জাবতা লৈরিবা দেরা বাবা নানক শ্রাইনগা ইন্টরনেসনেল বোর্দরদগী সুপ্নগী কিলোমিটর ৪দমক লাপ্পদা পাকিস্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সকী নারোৱাল দিষ্ট্রিক্টকী করতারপুরদা লৈরিবা দরবার সাহিবকা শন্নহল্লি।

কাশ্মিরগী মতাংদা নাকন অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী য়ান্না ফৎনদ্রবসু ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টাননা কন্না ৱারী শান্নরবা তুংদা পাকিস্টানদা লৈরিবা শেংলবা দরবার সাহিব অদুদা ইন্দিয়ান সিখ পিলগ্রিমশিংবু চৎতুনা খুরুম্বা য়াহন্নবা ইতিহাসিক করতারপুর কোরিদর থবক ওইনা শিজিন্নবা য়াহন্নবা হৌখিবা চহীদা শীংথানিঙা ওইবা য়ানরোল অমা সহি তৌখি।

লৈবাক অনীনা নুমিৎ খুদিংগী শ্রাইন অদুদা পিলগ্রিম ৫,০০০ লাকপা য়াহন্নবা অমসুং পাকিস্টানগী নাকননা ফেসিলিটিশিং অদু পাকথোক চাওথোকহনবা ঙম্বগী মখা পোন্না অখন্নবা থৌরমশিংদা অহেনবা পিলগ্রিমশিং চৎপা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

সুপ্নগী অঙাংশিং নৎত্রগা য়ান্না অহল ওইরবা মীওইশিংগী নত্তনা পিলগ্রিমশিংনা লন্নাই ওইনা নৎত্রগা খূৎপু ওইনা মফম অদুদা মখোয়না অপাম্বা মতমদা চৎপা ঙমজনবা কোরিদর অদু চহী চুপ্পা অমসুং চয়োল অমগী মনুংদা নুমিৎ ৭নি চৎপা য়াহন্নবসু ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টাননা লেপ্পখি।

---

# নবেম্বর ৭ ফাওবগী মনুংদা পার্টি অমত্তনা গভর্ণমেন্ট শেন্নবা হায়রক্ত্রবদি গভর্ণরনা ৱারী শান্নবা হৌরগনিঃ রামদাস

***মুম্বাই, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং আর পি আই (এ) চীফ রামদাস অথাৱালেনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খ্রে, ষ্টেট অসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা নবেম্বর ৭ ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট শেমগে হায়রক্ত্রবদি গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী মতাংদা মহারাষ্ট্র গভর্ণর ভগৎ সিংহ কোস্যারিনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা ৱারী শান্নদুনা খন্নবা হৌরগনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, ঙরাং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মহাক্না লূচিংবা দিলিগেসন অমদা গভর্ণরনা মথঙগী ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অদু শেন্নবা পার্টি অমা নৎত্রগা পার্টিশিংনা হায়রক্ন্বা ঙাইদুনা লৈ হায়না খঙহল্লকখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা ১৩শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী টার্ম নম্বের ৯দা লোইরগদবনি।

মহারাষ্ট্রগী সিটি ২৮৮লৈবা ষ্টেট এসেমব্লিগী হন্দক্তা পাংথোকখিবা মীখলদা বি জে পিনা সিটি ১০৫ অমসুং মসিগী চৎমিন্নবা শিব সেনানা সিটি ৫৬ ফংখিবনি। অদুম ওইনমক



চীফ মিনিষ্টরগী ফম য়েন্নবগী মতাংদা অচৌবা মুক্নবা অমা পার্টি অনী অসিগী মনুংদা থোকখি। হৌজিক ফাওবা গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী মতাংদা মখোয় অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদ্রি।

গভর্ণরনা কনাগুম্বনা গভর্ণমেন্ট শেমগে হায়রক্কদ্রা হায়বদু নবেম্বর ৭ ফাওবা ঙাইদুনা লৈখিগনি। মদুগী মতুংদগী গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংদা খন্নবা হৌরগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মিষ্টর অথাৱালেনা হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট শেন্নবা অমিত শাহনা লূচিংবা পার্টি অদুদা বার্তন তৌরনবা হায়জরদুনা বি জে পিগী অতৈ খোঙবুশিংগা লোয়ননা গভর্ণর উন্নখি।

গভর্ণরগা উন্নখিবা অদুদা ষ্টেট মিনিষ্টরশিং অভিনাস মহাতেকর (আর পি আই -এ), স্বাভিমানি পক্ষগী সদাভাউ খোত অমসুং রাষ্ট্রিয়া সমাজ পক্ষাগী মহাদিও জনকারগা লোয়নখি।

মিষ্টর অথাৱালে অমসুং অতৈ খোঙবুশিং অদুনা বি জে পি মশাগী সিটি ১০৫ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট খর অমসুং অপীকপা পার্টি খরগী শৌগৎপখরগা লোয়ননা পূন্না লেজিসলেটর ১২০গী শৌগৎপা ফংলে হায়না গভর্ণরদা হায়খি।

গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী মতাংদা শিব সেনাগা বি জে পিগগী মরক্তা কন্না য়েৎনরিবসি পালি নাইনরগা চীফ মিনিষ্টরগী ফম পুনবগী সেনাগী দিমান্দ অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিংসু মশীং চপ মান্ননা তঙ্খাই-তঙ্খাই য়েন্ননবগী দিমান্দ অসিনি। অদুবু শিব সেনাগী দিমান্দ অনীমক অসি ওক্টোবর ২১গী এসেমব্লি মীখলদা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরকখ্রবা বি জে পিনা য়াদে।

মমাঙগী, ২০১৪গী মীখলদা বি জে পিনা ফংখিবা সিটি মশীংদগী খরা হন্থরবসু হন্দক্কী মীখল অদুদা সিটি ১০৫, শিব সেনানা সিটি ৫৬ ফংখি। অমরোমদা ওপোজিসন এন সি পি অমসুং কোংগ্রেসনা মথঙসিংতা সিটি ৫৪ অমসুং ৪৪ ফংনখিবনি।

---

# এয়ার পোলূসনগী মরমনা উবা ঙমদবদগী দিল্লি এয়ারপোর্টতগী ফ্লাইট ৩২ অতোপ্পদা থৈদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
দিল্লিগী মফম কয়ামুক্তা ঙরাংদগী নোং মরীক খরা খিকখ্রবসু দিৱাল্লিগী চয়োল অমগী মতুং ফাওবদা সিটি অসি মখা তানা মৈখুনা কুপ্পুনা লৈরি। প্লেন তারকপদা এয়ার পোলূসননা মরম ওইদুনা লৈমাই উবা ঙমদবদগী দিল্লি এয়ারপোর্টতা তারক্কদবা ফ্লাইট ৩২ অতোপ্পা এয়ারপোর্টশিংদা থৈদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পূং ৯দা এয়ার ক্বালিটি ইন্দেক্স (এ কিয়ু আই) ৪৪৭ ওইদুনা পোলূসন লেবেল খ্বাইদগী শাথিবা কেটিগোরিদা অদুমক লৈরি। ঙরাং থাংজ নুমিৎতা দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু ৱাথোক অসি পোলিটিসাইজ তৌবগীদমক চৈরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা লৈবাক্কী কোনুং অসিদা থোক্লিবা এয়ার পোলূসন অসিগী মতাংদা অকনবা পাউখুমশিং পীখি। পোলূসনগী ৱাথোকসিবু দিল্লি চীফ মিনিষ্টরনা পোলিটিসাইজ তৌবসি য়ান্না লাইবক থীবনি খল্লি। হরিয়ানা অমসুং পাঞ্জাব চীফ মিনিষ্টরশিংদা মখোয়বু ফৎতবা মীওইশিং ওইনা উহন্নবা মহাক্না অঙাংশিংদা চিঠিশিং থাহল্লি হায়না জাবদেকরনা ঙরাং হায়খি।

এ এ পি লিদর রাঘব চাধানা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা এয়ার পোলূসন অসি দিল্লি খক্তগী ওইবা ৱাথোক নৎতে, মসি অৱাং ইন্দিয়া পূম্বগীনি হায়খি।

দিল্লি অমসুং রাজস্থান য়াওনা থংনবা ষ্টেটশিংদা পোলূসন লেবেল ৱাংখৎলক্লিবা অসি শাথিবা নুংনাংবা অমনি। মতম কুইনদগী মীয়ান্না, মরুওইনা অঙাংশিং অমসুং অহলশিং অৱাবা মায়োক্নরক্লি। মসি দিল্লি গভর্ণমেন্ট মতোমতখক্না কোকহনবা ঙম্লোইদবা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লূচিংলগা ঙমগদবা হেল্থ ইমর্জেন্সি অমনি হায়না রাজস্থান চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোতনা হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু লৈবাক্কী কোনুং অসিদা থোক্লিবা এয়ার পোলূসনগী ৱাথোক অসিবু পোলিটিসাইজ তৌবগীদমক চৈখি। মসিগী হেক নোংঙানবা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা এ এ পিগী অর্টিসিনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱাহং কয়া পুখৎলকখি। ত্বিইট অমদা সেন্টরনা এয়ার পোলূসন থিংনবা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ৱাহং হংখি।

সেটিলাইট ইমেজশিংনা ইন্দিয়াগী তঙ্খাই অমরোম হূ চেনবা মৈখুনা কুপশিনবা শক্তম উৎলি। হৌখিবা থা ৬তা মসি থিংনবা নখোয়না করি থবক লৌখৎখ্রবগে? মসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা নখোয়না থাংলিবা খোঙথাংশিং করিনো হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরদা হংখি।

শাথিবা এয়ার পোলূসনগী ফিভম অসিদগী দিল্লিদা স্পাইস জেটনা দিল্লিদগী পাইখিগদবা অমসুং মসিদা থুংলগদবা ফ্লাইট পূন্নমক শোকহল্লবা য়াই হায়খ্রে, মরম অদুনা পেসেঞ্জরশিংদা মখোয়গী ফ্লাইট ষ্টেটস চেক তৌদুনা লৈনবা হায়জখ্রে।

ভিষ্টারানসু দিল্লিদা মখোয়গী থুংলগদবা অমসুং পাইখিদবা ফ্লাইটশিংগী মতম থেংথরগনি হায়খি।

---

# য়োংনা থাধরকপা নুঙনা পানবদগী মখাদা লৈবা থা ৪গী অঙাং শিখ্রে

***মুজাফরনগর, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
উত্তর প্রদেশকী মুজাফরনগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা সোহজানি কৌবা খূঙ্গং অমদা সুপ্নগী থা ৪দা ঙাইরিবা অঙাং অমা মহাক্কী য়ুমদা য়োং অমনা থাদরকপা নুং অমনা পানবদগী শিখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু টিটাৱি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফমদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা থোকখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

মখোয়না হায়খি, য়োং অদু য়ুমগী টেরেষ্টতা লৈবনি, অদুগা থা ৪তা ঙাইরিবা অঙাং নুপামচা অদুনা মাগী মমা-মপাশিংগা লোয়ননা গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবনি।

টেরেস অদুদা তাদুনা লৈবা নুঙ অমা য়োং অদুনা খুনগৎলগা পায়বদা মখূৎতগী নাষ্টরকখি অমসুং মদু অঙাং অদুগী মথক্তা তারকপদা অরুবা ফিভমদা শোকখি।

অঙাং নুপামচা অদু হোস্পিটালদা থুনা পুখৎখি অদুবু ডোক্টরশিংনা মহাক শিরে লাওথোকখি হায়না টিটাৱি পুলিস ষ্টেটসনগী ওফিসিয়েলশিংনা মখা তাখি।

---

# টেরর গ্রুপ য়াওখিবা কাশ্মিরি ৫০রোম হল্লকখ্রে

***শ্রিনগর, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
কাশ্মিরদা লৈবা ১৫শুবা আর্মি কোরনা চথখিবা 'ইমা' কৌবা য়ান্না মীওইবগী ওইবা ওপরেসন অমনা চাওরাক্না কাশ্মিরি নহা ৫০রোমবু মখোয়না য়াওখিবা টেরর গ্রুপশিং অদু হুন্দোক্লম্লগা চহীসিদা মহৌশাগী পূন্সিদা অমুক হল্লকহনবা ঙমখ্রে।

ওপরেসন অসিদা ১৫শুবা কোরগী জি ও সি লেফটেনেন্ট জেনরেল কনৱাল জীত সিংহ ধিল্লোনগী পাউতাক মখাদা আর্মিনা মাঙখিবা নহাশিং থিবা অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদা চৎতুনা হায়জবগী থবক অমা পাংথোকখি।

তম্পাক অসিদা লালহৌবা থেংনবদা, লোয়ননা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা পাকিস্টাননা চথরকপা থবকশিং মায়োক্নবদা মাঙজিন থারিবা চিনার কোর হায়নসু খঙনবা ১৫শুবা কোর অসি লানগী মীৎয়েঙদা মফম চানা লৈরি।

অফবা তৌ অমসুং নহাক্কী ইমাবু সেবা তৌ অমসুং অদুদগী নহাক্কী ইপাবু সেবা তৌ মসি হোলি কোরানদা পীরিবা ইমাগী মরুওইবা অদুনি। মসিনা ঐঙোন্দা লান্না লমজিংখ্রবা নহাশিং অদুবু মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদা অমুক হন্না পুরক্নবগী লম্বী উৎখি হায়না লেফটেনেন্ট জেনরেলনা হায়খি।

মশক মমিং অরোনবা ওইনা থম্বা মমা-মপাশিং অদুগী পাউজেলশিং অদু উৎলগা জেনরেল ধিলোননা মখোয় অদুবু তম্পাক অসিগী মীয়ামদগী মমল নাইদ্রবা খুদোলশিংনি হায়না মখোয়বু শীংথাখি। চহী অসিদা হৌজিক ফাওবদা অসিগুম্বা নহা ৫০রোম অমুক হল্লকখিবা অসিদা ঐহাক নুংঙাই হায়না মকোক থোংবা আর্মি কম্মান্দর অদুনা হায়খি।

---

# নরেন্দ্র মোদি অসিয়ান সম্মিট য়াওনবা বেঙ্কোকতা থুংখ্রে

***বেঙ্কোক, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বেঙ্কোকতা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ-ইষ্ট এসিয়ান নেসন্স (অসিয়ান) সম্মিট য়াওগনি। থাইলেন্দদা নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎ অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা বেঙ্কোকতা থুংখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, ইন্দিয়ানা আর সি ইগী নেগোসিয়েসনশিংগী মপূং ফাবা অমসুং খল চান্নবা ফল অদু চপ চানা ঙাক্নবগী ফীরেপ লৈ অমসুং গুদস, সার্ভিসেস অমসুং ইনভেষ্টমেন্টশিংদা অমসুং থবক খুদিংমক্তা খল চানহনবা পাম্মি।



বেঙ্কোক পোষ্টতা পীবা ইন্টরভিয়ু অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা, নাকন পূন্নমক খন্নবা য়াবা চাংদা কান্নবা ফংবা রিজনেল কম্প্রেহেঞ্জিব ইকোনোমিক পার্টনরসিপ (আর সি ই পি)গী পূন্নমক্কী কান্নবা ওইবা অসি ইন্দিয়াগী লোয়ননা নেগোসিয়েসন অসিদা য়াওরিবা পার্টনর পূন্নমক্কী য়াইফনবগীনি হায়খি।

ইন্দিয়ানা মতম পুম্বদা চথরিবা আর সি ই পি নেগোসিয়েসনশিং অসিদগী থোক্লকপা মপুং ফাবা অমসুং খল চান্নবা ফল অদু ঙাক্নবা ফিরেপ লৌরি।

মসি মায় পাক্না লোয়শিনবনা য়াওরিবা খুদিংমক্কী য়াইফনবগীদমক্নি। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা গুদস, সার্ভিসেস অমসুং ইনভেষ্টমেন্টশিং লোয়ননা থবক খুদিংমক্তসু খন চান্নহনবা পাম্মি হায়খি।

---

# সাউথ চিনা সি রুলসকী মতাংদা অসিয়ানগা থবক তৌমিন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈ ঃ বৈজিং



***বেঙ্কোক, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
চিনাবু মিলিটরি ইনস্টোলেসনশিং শাগৎলকপগী অমসুং মপুনি হায়রিবা অতৈ লৈবাকশিং ইস্থোকপগী মরান শীরিবা, ময়ামগী মীৎয়েঙফম অমসুং খন্নফম ওইরিবা সাউথ চিনা সিদা কোদ ওফ কন্দক অমা শেন্নবগী মতাংদা চিনানা খা নোংপোক এসিয়াগী মফমশিংদা থবক তৌমিন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা বৈজিংনা হায়খ্রে।

চিনানা লমদম অসিগী উংখৎনবগী মরম অমা মতম শাংনদগী ওইরক্লিবা মালেমগী মরুওইবা জহাজ লম্বী অমা ওইরিবা রিছোর্স মরাং কায়বা ঈশিং লম্বী অদুগী অয়াম্বা শরুক মখোয়গীনি হায়রি।

চহী কয়ামরুম মেম্বর ১০গী এসোসিয়েসন ওফ সাউথ-ইষ্ট এসিয়ান নেসন্স (অসিয়ান)না সমুদ্রগী মফম অসিগীদমক কোদ ওফ কন্দক অমা শেন্নবা ৱারী শান্নখি। হায়রিবা ঈশিং লমদম অসিদা চিনাবু লানগী জহাজশিং শিজিন্নবগী, আউটপোষ্টশিং থম্বগী অমসুং ঙা ফাবা জহাজশিং তাম্বোকপগীদমক মরান শীরি।

২০০১দা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লিবা য়ানরোল অদুনা মুক্নরিবশিং লোয়শিন্নবগী ৱাফম কয়ামরুমগা লোয়ননা সমুদ্রগী মফম অসিগীদমক কন্দক গাইদলাইন্স অদু পীগনি।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা চিনাগী প্রেমিয়র লি কেকিয়াংনা দ্রাফ টার্মশিংগী মতাংদা মত পীনবা মেম্বর পূন্নমক্কীদমক খুদোঙচাবা অমা ওইনা দোকুমেন্ট অদুগী অহানবা রিদিং অদু য়ান্না মরুওইবা তাঙ্কক অমনি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা য়ুমফম অমসুং গাইদলাইন্সশিংগী মতাংদা অনৌবা খূৎমাঙ চাওশিনবগীদমক হোৎনরিবা অসিয়ান লৈবাকশিংগা থবক তৌমিন্ননবা ঐখোয়না থৌরাং তৌদুনা লৈপ্লি। সাউথ চিনা সিদা চিনানা তুংকোইনগী ওইগদবা শান্তি অমসুং তংদু-লৈতাবা থম্বা অমসুং ঙাকপা পাম্মি হায়না চিনাগী প্রেমিয়র কেকিয়াংনা হায়খি।

---

# প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান ফম থাদোক্নবা থাখিবা অরোইবা মতম ঙাইদুনা পাকিষ্টানগী ইস্লামিষ্টশিং লৈরি

***ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
পাকিস্টানগী কোনুং ইস্লামাবাদতা প্রোটেষ্ট কেম্প অমদা প্রাইম মিনিষ্টর ফম থাদোক্লিবা মখোয়গী লূচিংবনা পীখিবা অরোইবা মতম অদু ঙাইদুনা ইস্লামিষ্ট লিশিং কয়ানা লৈরি।

ইমরান খানবু লৈবাক্কী ওইফম থোক্তবা লৈঙাকপা অমনি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর ফমদগী মহাক ফম থাদোক্নবা তক্সিন্নবগী চংশিনবা খোঙজং অমদা হৌখিবা চয়োলদা মচিন মৈ হৌরবা ক্লেরিক মৌলানা ফজলুর রেহমননা শৌগৎপশিংগী শাংলবা খোঙচৎ অমা ইস্লামাবাদ তন্না পুরকখি।

ফজলুর রহমননা মহাক্কী শরুক য়ারিবা মীওইশিং অদুবু পাকিস্টানগী গভর্ণমেন্টকী সিট অদুমক্তদা চংশিন্নবা অমসুং ইমরান খানগী ফম থাদোকপদু নমদুনা তৌহন্নবা মহাক্না পাউতাক পীবা ঙম্মি হায়না রহমননা ফোঙদোকখি।



নাকন অমরোমদা পাকিস্টান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা মহাক ফম থাদোকপগী থৌরাং লৈতে হায়রি।

মচিন মৈ হৌরবা ক্লেরিক মৌলানা ফজলুর রহমনগী খোঙজং অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর খানবু ফম থাদোক্নবগী অরোইবা মতম পীরিবসি ঙসি নোংঙাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদনি।

পীরিবা অরোইবা মতম অসি য়ৌশিল্লকপগা ইস্লামাবাদকী মনুংদা প্রোটেষ্ট কেম্প অদুগী অকোয়বদা পাকিস্টান এথোরিটিজনা অমুক্না হেন্না সেক্যুরিটি কনখৎহনখ্রে।

কেম্প অদুগী অকোয়বদা লৌখৎলিবা অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা প্রোটেষ্ট মফম অদুগী থোকখিবা অমসুং চংলকপগী লম্বী পূন্নমক সিপ্পিং কন্টেনরশিংগী ৱালশিংনা থিংজিনবা, লোয়ননা রাইওৎ পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌবা য়াওরি।

---

# য়ু এস মিলিটরিনা অৱাং-নোংপোক সিরিয়াদা কর্দিস ফোর্সশিংগা অনীরকশুবা ওইনা উন্নখ্রে



***দামসকস, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
য়ু এস মিলিটরি গাড়ীশিংনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা অৱাং নোংপোক সিরিয়াদা লৈবা করদিসনা পায়রিবা মফম অমদা চংশিনখ্রে অমসুং ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখ্রে।

টর্কি ঙমখৈ লমদমদগী য়ু এস লান্মী ট্রুপশিং লৌথোক্নবা লাওথোকখিবা মতুংদগী মসি অসিগুম্বা অনীশুবা উন্নবা অমনি হায়না এ এফ পি করেস্পেন্দেন্টশিং অমসুং মফমদুগী লিখুল অমনা হায়খি।

অমেরিকাগী ফিরান থেৎপা আর্মোর ভেহিকলশিংনা কামিস্লি সিটিগী মপান্দা করদিসনা লূচিংবা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)কী হেদক্বার্টরসতা লাকখি।

এস দি এফ অমসুং কর্দিস সেক্যুরিটি ফোর্সশিংবু মফম অদুদা লূচিংখিবা পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিটস (ৱাই পি জি)সু মখোয়না ফাওদুনা লাকখি।

---

# শ্রীলঙ্কা নেভিনা টামিল নাদুগী ঙামী ৩,০০০লোম মখোয়গী ঈশিং লমদগী তাম্থোক্লককখ্রে

***রামেশ্বরম, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি)ঃ***
টামিল নাদুগী ঙামী ৩,০০০লোম হেনবনা কৎচাথিবু ঈথৎ মচা মনাক্তা ঙা ফাদুনা লৈরিঙৈদা ঙসি মখোয়বু শ্রীলঙ্কা নেভিনা তাম্থোরকখ্রে হায়না রামেশ্বরমদা ঙা ফাওবা মীওইশিংগী এসোসিয়েসনগী লূচিংবা অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈথৎকী টাউন অসিদগী ঙা ফাবা মীওইশিং অদুনা হি ৫০০রোম হেনবদা তোংদুনা সমুদ্রদা চংখিবনি অমসুং কৎচাথিবু ঈথৎকী মনাক্তা ঙা ফাদুনা লৈখি। মতম অদুদা শ্রীলঙ্কাগী নেভি পার্সোন্নেলনা মফম অদুদা লাকখি, ঙা ফাবা মীওইশিং অদুগী লাংশিং ককথৎখি অমসুং মখোয়বু মফম অদুদগী তাম্থোক্লককখি হায়না ষ্টেট ফিসরমেন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন দেবাদোসনা হায়খি।

শ্রীলঙ্কা নেভি পার্সোন্নেলশিং অদুনা হি ৫০রোমগী ঙা ফানবা লাংশিং থদৎখি অমসুং ইক্যুপমেন্টশিং থুগাইখি হায়না মহাক্না মরান শীখি।

ফিভম অদুদগী ঙামীশিং অদু ঙা অমত্তা ফাদনা নমদুনা তোর্বানদা হল্লকখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

অসুন্না তামিল নাদুগী ঙামীশিংদা হন্না হন্না খূৎ থারক্লিবা অসি থোক্তনবা শ্রীলঙ্কান ওথোরিটিজদা পুখৎপীয়ু হায়না দেবাদোসনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা অপিল তৌখি।

শ্রীলঙ্কান নেভিনা মখোয়গী ঈশিং লম মনুংদা ঙা ফাই হায়বগীদমক ঙরাং থাংজ নুমিৎতা টামিল নাদুগী ঙামী ৮ ফাখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

---

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-290**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | 7 | | | | 6 | 2 |
| | 7 | 8 | 4 | 2 | | | 5 | |
| 4 | 9 | | | 5 | | 8 | | |
| | | 7 | | | 4 | | 2 | 6 |
| 2 | | 4 | 5 | | | | 7 | |
| 8 | | 1 | | | 9 | | 4 | |
| | 8 | | | | 7 | 2 | | |
| | 4 | | | | 2 | 7 | | |
| | 2 | | | 8 | | | | 4 |

## GAS TODAY

**K & K Indane**
Booking : 10/10/19
Sl. No. : 100
Valid : 07/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Misao Gas Service**
Booking : 10/10/19
Valid : 04/10/19
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 03/10/19
Sl. No. : 279925
Valid : 26/09/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**TDK, Sakmai**
Booking : 25/09/19
Valid : 23/09/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**R & H Indane Service**
Booking : 03/10/19
Valid : 23/09/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Ereicha Indane**
Booking : 07/10/19
Valid : 02/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**সনা-সুদোকু - ২৮৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 6 | 8 | 9 | 1 | 5 | 4 | 7 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 3 | 2 | 9 | 6 | 1 |
| 4 | 1 | 9 | 6 | 5 | 7 | 3 | 2 | 8 |
| 6 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 4 | 9 | 2 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 9 | 1 | 8 | 3 |
| 2 | 9 | 3 | 1 | 8 | 4 | 7 | 5 | 6 |
| 1 | 4 | 5 | 7 | 2 | 8 | 6 | 3 | 9 |
| 9 | 6 | 2 | 5 | 1 | 3 | 8 | 7 | 4 |
| 7 | 3 | 8 | 9 | 4 | 6 | 2 | 1 | 5 |